থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ‘কৃষ্ণ’ই মপোক নুমিত্তা মোংলকখিবা ৱাখল

ঙরাং থৱানগী ২৩নি পানবা, হিন্দুশিংনা খ্বাইদই চাউবা লাই (সুপ্রিম লোর্দ হেদ) নি থাজজবা শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ, ‘কৃষ্ণজন্মষ্টমি’নি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, নুমিৎ অসি অচৌবা কুমহৈ অমা ওইরম্মী। পাখঙ-লৈশা হৌনদুনা কোয়বা ‘থরো চাবা/থমচেৎ চাবা’ চৎনরম্মী। ঐখোয়না পাখঙ ফারক্লবা কান্দসু ‘ৱায়থৌ পাৎ’ তা (ঙসিদি খুঙ্গং ওন্থোক্লবা) হি তোংদুনা পাখঙ-লৈশা পূংবা-পূংবা কোয়মীন্নরম্মী। অহল ওইরবা ইমা-ইন্দোল-ইনেশিংনা কৃষ্ণ পোকপই নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবসু নহা-পাখঙ-অঙাংশিংগী ওইনদি ‘কৃষ্ণ-জন্মষ্টমি’ অচৌবা কুমহৈ অমনি। ইমানা পীবা লুপা অমদু পায়রগা চাউথোকচনা, তেরাদগী বস তোংদুনা থোং নম্বোনবীফাও লাক্লগা শান্নপোৎ অমসু লৈরগা, হোটেলদা অচাপোৎ চারগা, সিনেমা অমা য়েংলুরগা য়ূমদা হল্লকখিবই খূৎ-নুংঙাইদু, ঙসি নীংশিংবমক্তদা নুংঙাইরি। ঙসিগী অঙাংশিংদনা ‘নোংমা ছুটি ফংব’গী নুংঙাইবদুখক্তনি ফংলিবা। পূমকক চাউরক্লবী নুপীমচাদগী হৌরগা, লৈশাবী, মৌনহা, মীয়ায় চল্লবী ফাওবগী নুপীশিংনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজি মন্দির অমদি ‘ইস্ক-কোন’ মন্দিরদা শঙ্খু-শঙ্খু চৎনবসু উরে। খঙদে-লাইনীং পরৈ চেৎশিল্লক্লিবা হায়’দুরা! চহীগী হায়রুরদি ঐখোয়সু ‘অহল’ হায়বা কাঙলূপ্তুদা চনফম থোক্লবনি। অদুবু ৱাখলসিনা কন্দিসন তৌখিবা পূক্লিংসিনা ঐহাক ইশাবু ‘অহল ওইরে’ হায়বসি খলহল্লকপা শুকঙম ঙমদে। মীওইবনা চৎনবা পুন্সি-লম্বী অসিগী অহুমশুবা তাঙ্ককনি হায়নবা ‘লাইনীং লম্বী’ অদুদা চঙশিল্লকপা শুকঙম ঙমদে। মসিনি ঐগী অৱাবা। লাই-নীংবা হায়বসি ‘লাই’ মাবু থাজরবা মতমদুদতা তৌনীংগদবা/তৌরক্কদবা থবক অমনি।

ঙরাংগী নুমিৎ অদুদা ঐবু ৱাখল লম্মুক্লহনখিবা - কৃষ্ণগী ৱাখল খল্লুবদনি। মহাকপু লাই অমরা? লাইগীবু মপোক নুমিৎ লৈবরা? পোকপা - শিবা নাইরিবা মহাক্তুদি লাই নত্তে, ঐখোয়গুম্বা মীওইপোকনি। কৃষ্ণ! লাই নৎলমদবা, মী ওইরম্বদুননি ঐনা মাবু থাজরুবা! কনানো নৈননীংলুবা! মাবু মশক খঙনীংলুবা! করিগী লাইগুম লাৎনরিবা! ঐনা খঙজবা/খনজবা কৃষ্ণগী মওং-মতৌ-মরমচৎ মীয়ামদা অমুক্তা সেয়র তৌজগে। ৱারী লাইরিক কয়াদা ইরম্বা, অখঙ অহৈশিংনা লীরম্বদুনি - তোপ তোপ্পা, থোইদোকপা ক্বালিটি কয়ানা লৈতেংবা, এদভাঞ্চরস ওইবা মীশক অমা ওইনা! হিন্দু হায়না খঙনবা লাইনীং-লম্বী অদু থাজজবা মীওইশিংনা নীংনরিবা ‘লাই’ দুগী ৱারী ওইনা তাবীগনু। কনাগুম্বা হৈ-শিংবা অইবা অমনা শেমগৎলম্বা মী (ক্যারেক্টর) অমা ওইনা লৌরগা, অইবদুনা ইরম্বা ৱারী ওইনা তাবীগেরা! নৎত্রগা, ঙসিদগী চহী ৩৫০০ রোমগী মমাঙ, খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈ চহী ১৫০০ রোমগী মমাঙ অদুৱাইদা পোকখিবা নুপা অমগী, মীরোল অমদগী অমদা চহী ১৫০০ রোমগী মমাঙ অদুৱাইদা পোকখিবা নুপা অমগী, মীরোল অমদগী অমদা চীন্থাঙ ওইনা লীনরকপা, থেঙ্খাং কয়ারক শেমদোক শাদোরকখ্রবা হিষ্টরিকেল ওইবা ৱারীগা মিথোলোজিকল ওইবা ৱারীগা তোৎশিন্নরবা ৱারী ওইনা তাবীগেরা! লৌনীংবা মওংদা লৌবীয়ু।

মমাগী পিবুক্লুংদা মিতম্লকখিবা মীকুপ্তগী হৌরগা মহাক্লা তাইবঙ ফাওরকপা অমদি য়োকচবী মমাগী মতম্পাক্তা য়ৌখিবগী ৱারীদগী হৌরগা, মমাগী খোল্লাং থক্লিঙৈ, পূমকক চাউরকপা, শনশেন-শনঙাক হৈরকঙৈ, ইনখৎলকপা মতমগী নুংশি-নুংওল অপাম-নুংশি খঙলকঙৈ ৱাথোক-লান্থোক অমদি অঙকপনা থল্লবা ৱারীনি কৃষ্ণগী।

য়ূম্লোন-কৈরোন্নবা, লৈকায়গী য়ূমদা চঙদুনা মমান্নবশিংগা লোয়ননা শঙ্গোম লোন্না থকতোকপা, ননি-মাখোন হুরান্দুনা চাথোকমিন্নবা ... মরুপ-মপাংশিংগা লোয়ননা ষণ-শেন, ষণ-ঙাক তৌদুনা গোবর্ধন চীংগী চীংয়াদা বাঁসি খোংদুনা থৱায় পানবশিংবু শুমহৎপা, অঙকপগী মশক ওইরবা থৌরম-থৌদাং পাঙথোক্লম্বা ... বাঁসিগী নুংশিবা শুরনা শুমহৎলবা নুপীশিংগা রাস-লীলা শান্নমিন্নবা, শাগৈগী মৌ ওইখ্রবী রাধাগা নুংশি চিল্লোক্লখিবা ... অসিনচিংবগী ৱারীমক্তনি লীনরিবা মীয়াম্না। সিমদি মীয়াম্না খন্থনদে - পূন্নমক অসিদি মী অমগী পুন্সিদা মঙাও-থীবা অঙাংগী লমকেৎপা মতৌ অদুনি, চহী মঙা-তরুক শুরকপা! মহাক্লা বাঁসি খোঙবা নুপা-মচা অমা ওইনা বৃন্দাবনগী লৈকোলদা গোপিশিংগা জগোয় শামিন্নখিবদু মশাগী চহী ৮দগী ১৫/১৬ শুরকপা মতম অদুৱায়ফাওবতনি। রাধা থেংনদুনা মহাক্কী নুংশিবদা লূপখি। অপাম-নুংশি খঙলকপা, মমা যশোদাদা হঙ্গৎখি ‘রাধাগা লোয়ননা লুহোংদুনা য়ূম্বান-পুন্সিদা খোঙদারগে’। মমানা য়াখিদে - মহাক্তি মহাক্কী মৌ ওইবদা মতিক চাবী নত্তে, অদুগীসু মথক্তা, রাধানা কৃষ্ণদগী চহী মঙা হল্লি। ৱারৌরবা কৃষ্ণগী পূক্লিংদু যশোদানা উদুনা মপা নন্দ’দা হঙ্গৎলি। নন্দ’না অমুক কৃষ্ণবু মাগী গুরু সন্দিপানি’দা শিন্নে, মচাবু ৱাখল তাহন্নবা। গুরুদেবগী য়াথং পুদুনা শ্রীকৃষ্ণ গোবর্ধন চীংগী চীংদোন’দা পুঙজা কয়া ফমদুনা মালেম-অতিয়া অনীগী শম্নফমদু য়েংদুনা লৈখি। চীংদোন্দগী কূমথরকপদদি পুমওন ওল্লবা কৃষ্ণ অমা ওইখরে। নুমিত্তুগী অহিংদা অরোইবা ওইনা বাঁসি খোংখি, রাধা অমদি গোপিশিংগা অরোইবা রাস-লীলা শান্নখি, লীলা শান্নবা লোইরগা বাঁসিদু রাধাদা শিন্নরম্লগা কৃষ্ণ, বৃন্দাবন থাদোক্তুনা চৎখি। মতমদু মহাক চহী ১৬ শুরে। মতুংদা অমুক হন্না বৃন্দাবন’দা মায় ওল্লকখিদরে। মমা-মপা-মরুপ-মপাং-শাগৈ-নাতৈ-নুংশিবী কনাগসু অমুক হন্না উনখিদরে। মশাগী চহী তরা-তরুক’তগী কুম্মাথোইফাওবা সন্যাস ওইখি। মায়াগী তাইবঙ, অরং-অরাক-অকে-অমৌ-পুন্সিদগী লাপ্পা লৈখি। চৎকদবা পুন্সি-লম্বীগী মায়কৈ লেপ্পবা ৱাখল-লীশাং থাদুনা তাইবঙ-লৌশিং তানশিনখি।

মশাগী চহী কুম্মাথোইগী মতুংদনি কৃষ্ণনা মহাক্কী চৎকদবা পুন্সি লম্বী লেপথোক্তুনা মেরিয়েজ, পোলিটিক্স, স্পিরিচ্যুয়েলিটি লোমদা ওনশিল্লকখিবা। মহাক মশানা খুদম-চাংদম ওইদুনা পোলিটিক্স হায়বসি স্পিরিচ্যুয়েলিটি য়াওদনা মপূং ফারোই, অফবা এদমিনিষ্ট্রেটর অমা ওইনা অফবা ইন্দিভিজুঅল অমা ওইগদবনি হায়বসি মতমদুগী রাজা-মহারাজা খুদিংমক্তা পাউজেন্নবা হোৎনখি। অদুবু, পূন্নমক অরেম্বদা তাদুনা ‘কুরুক্ষেত্র-ৱার’ থোকখি। লান অদু শোক্লদনবা, মহাক্কী হোৎনজমন পূন্নমক অরেম্বদা তাখি। মহাক লান য়াওখি। লাল্লক্তসু পাউতাক পীখি। কনানসু তাখিদে।

পূন্নমকসিগী মতুংদা শিবগী তানফম লাকপদুসু মোমোন মীনোক্লা মায়োক্লখি। অদুননি, মহাকপু ঈশ্বরগুম্বনি শোন্নরিবা।

লৌশিং পুক্কে

# কা-হেনবা মওংদা হার অমদি তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নবনা মীওইবগী হকশেল অমদি ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই

হার অমসুং তীলহাৎ হীদাক্লা লৌউ-শিংউদা চাউনা মতেং পাংবগা লোয়ননা চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহল্লি। অদুবু কা-হেনবা মওংদা হার অমদি তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নবনা মীওইবগী হকশেল অমদি ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।



মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথাকপা ঙম্নবনি হায়না শীজিন্নরিবা তীলহাৎ হীদাক অমসুং হার মখল কয়ানা মনা-মশীংদা য়াওখ্রগা মদুবু চারুবা মতমদা হকচাং শোকহল্লি। লৈবাক-লৈহাওদা চঙখ্রবা মতুংদসু খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকই।

মমিং লৈরবা কেমিষ্ট পেরাসেলমমনা ১৬ শুবা চহীচা মতমদা ফোঙদোক্লম্বগী মতুং ইন্না হার অমদি তীলহাৎ হীদাক শাবদা য়াওবা মীওই খুদিংমক হকচাং শোকপগুম হায়রিবা পোৎশকশিং অসি য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা হকচাংদা অমাঙবা কয়ামরুম থোকহল্লকই।

তীহলহাৎ-হীদাক য়াওবা মনা-মশীং চারুবদগী অশোয়বা অঙাং পোকপা, ন্যুরোলোজিকেল দিজিজ অমসুং কেন্সর ফাওবা ওইহল্লকপা য়াই হায়রি। মখল কয়াগী পেষ্টিসাইদশিংনা পীক্লিবা অঙাংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি। পেষ্টিসাইদ খজিক্তং য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা অহল অমদা করিসু তৌদবা য়াই। অদুবু পীক্লিবা অঙাংশিংদদি খুদোংথীনিংঙাই ওই। মরম অদুনা কুমজা ১৯৯৬ তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফূদ ক্বালিটি প্রোটেক্সন এক্ট শেমদুনা পীক্লিবা অঙাংশিংদা অকায়বা থোকল্লোইদবা চাংদা পেষ্টিসাইদ শীজিন্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। কেনাদাদসু কুমজা ২০০২ দা পেষ্ট কন্ট্রোল প্রদক্টস এক্ট পাস তৌদুনা মীওইবদা তীলহাৎ-হীদাক্লা শোকহন্দবা থৌরাং লৌখৎলি। এক্ট অসিগী মখাদা কেনাদাগী পেষ্ট মেনেজমেন্ট রেগ্যুলেটরি এজেন্সীনা কুমজা ১৯৯৫ গী মমাঙদা রেজিষ্টর তৌখ্রবা পেষ্টিসাইদশিং নৌনা চেক তৌখি। অদুম ওইনমক পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক হার অমদি তীলহাৎ হীদাকশিং পাক শন্না শীজিন্নরকপা মরম্না মীওইবগী হকশেলদা চাউনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরকখি।

কেমিকেল ফর্টিলাইজর অমদি পেষ্টিসাইদনা মীওইবদা কা-হেন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লকপা মরম্না চাউখৎখ্রবা লৈবাক অয়াম্বা ওর্গানিক ফার্মিংরোমদা মায় ওনশিন্নরকখি। অদুবু মীশীং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না পোৎথোক হেন্না পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরকপনা অরায়বা পান্বে থিরকপদা মখল কয়াগী তীলহাৎ হীদাক অমসুং হার শীজিন্নরি। মদুনা মরম ওইরগা মীওইবদা হার্ট দিজিজ, দাইবেটিস অমসুং কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লক্লি।

খুদোংথীবা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশীং য়াওবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবনি। কনাগুম্বনা তীলহাৎ হীদাক অমদি হার য়াওবা মনা-মশীং চাবনা হকচাং শোকহনবা য়াই হায়না ফোঙদোকচরবসু অখঙ অহৈশিংনা হায়রিবদি হার অমসুং তীলহাৎ হীদাক্কী লেমহৌবা মখাক য়াওজরবসু মনা-মশীং অমদি উহৈ-ৱাহৈ চাবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ হায়বসিনি।

য়ারিবমখৈ ওমেগা-থ্রী ফেটি এসিদ য়াওবা চীঞ্জাক চাগদবনি। ওমেগা-থ্রী ফেটি এসিদনা তীলহাৎ হীদাক অমসুং হারনা থোকহল্লক্কদবা অমাঙ-অতা পুন্নমক ঙাকথোকপা ঙম্মী। তিলহৌ অমদি চনমদা য়াওবা সলফরনসু কেন্সর ওইরক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। শঙ্গোমদা য়াওবা কেলসিয়ম অমসুং মনা-মশীংদা য়াওবা এন্টিওক্সিদেন্টনা কোলোন কেন্সরদগী ঙাকথোকপগা লোয়ননা হার অমদি তীলহাৎ হীদাক্লা থোকহল্লক্কদবা খুদোংথীবশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী।

য়ারিবমখৈ ফেটকী শরুক নেম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাগদবনি। নুমিৎ খুদিংগী ঙাইহাক-ঙাইহাক হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা পুন্সি মহিং হোংদোক্কদবনি অমসুং ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি।

# ইন্টিগ্রেটেদ টিচর এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম হাংদোক্লবা দেসামনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) ২০১৯গী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট-ষ্টেটশিংদা পায়খৎনবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমদি এন সি টি ঈনা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা খঙহল্লকখ্রবা চহী ৪গী ইন্টিগ্রেটেদ টিচর এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (আই টি ই পি) (বি, বি.এদ অমসুং বি.এস সি. বি.এদ) অসি মণিপুরদা অথুবা মতমদা হাংদোক্লবগীদমক ঙসি দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না দেসামগী প্রসিদেন্ট সলাম আকাশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০১৯না ওজাগী শিনফমদা লৈগদবশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা ওজা ওইগদবশিং মখোঙদগী শেল্লক্লবগীদমক ক্লাস ১২ লোইবগা তোঙান-তোঙানবা প্রোফেসনদা মহৈ তম্নবগুম ওজাগী শিনফম অসিদসু তম্নবগীদমক মরীক চূম্না পল্লি। মসিগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অমদি এন সি টি ঈনা ষ্টেটশিংদসু চহী ৪গী ইন্টিগ্রেটেদ টিচর এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (আই টি ঈ পি) (বি, বি.এদ অমসুং বি.এস সি. বি.এদ) পায়খৎনবগীদমক গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীরক্লবগীদমক ঙসি দেসামগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা মিনিষ্টরগা কূপ্না খন্নমিন্নখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু শুংশোয় শোয়দনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী গভর্নরগসু হকথেংননা উনদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা তকশিল্লগনি।

এন ঈ পি-২০১৯ অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক ইন্দিয়ন সেন্ট্রিক ওইবা মওংগী মহৈ মশিন তম্বীদুনা অনৌবা চাওখৎপা ইন্দিয়া অমা শেম্নবগী পান্দম্নি হায়না দেসাম্না লৌই। ইন্দিয়ানা চাওখৎলকপদা মণিপুরনা তুং ওইরগা লৈহৌবা হায়বসি মরম চাদে। মসিগীদমক এন ঈ পি-২০১৯গী ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ঐখোয়সু মণিপুর সেন্ট্রিক ওইবা এদ্যুকেসন অমা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামদা তম্বীবগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লে। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা এদ্যুকেসনদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বীদুনা থম্মোয় শেংনা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না দেসামগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এন ঈ পি-২০১৯গী মতুংইন্না অঙাংশিংদা মহৈ তম্বীবগী মওং অসি মখোয়গী ৱাখলগী থাক্লা চান্নবা মওংদা তাঙ্কক মরি থোক্লা তম্বীগদমনি হায়বসি য়াম্না মরূ ওইবা ৱাফম অমনি। পোলিসি অসিগী মতুংইন্না, অহানবা তাঙ্কক্তা ফাউন্দেসন ষ্টেজ হায়না চহী ৫ চঙনা তম্বীগনি। অনীশুবদনা প্রিপেরেটরি (লেট্টর ষ্টেজ) হায়না চহী ৩ চঙনা তম্বীগনি। অহুমশুবদা মিদ্দল ষ্টেজ (অপ্পর প্রাইমরি) হায়না চহী ৩ চঙনা অদুগা মরিশুবদনা হায় (সেকেন্দরি) ষ্টেজ হায়নদুনা চহী ৪ চঙনা তম্বীগদৌরি। তাঙ্ককশিং অসিদা তম্বীগদৌরিবা মহৈ-মশিন তম্বগী মওং অসি হান্নদগী খরা খেন্নগদৌরি। মরম অদুনা ওজাশিং অখন্নবা ট্রেন তৌবা হায়বসি পোলিসি অসিগী মরূওইবা পোলিসি অমনি। মসিগীদমক ওজা ওইগদবশিংবু ক্লাস ১২ হেক লোইবগা প্রোফেসনেল ওইনা দোক্টর/ইঞ্জিনিয়র তম্নবগুম ওজশিংগীসু চহী মরিগী ইন্টিগ্রেটেদ কোর্স তমহন্নবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিংদা খঙহল্লকখিবনি।

আই টি ঈ পি অসি চহী ৪গী প্রোগ্রাম ওইবনিনা মসি হাংদোকপদা চহী অমা থীন্থবা হায়বসি চহী ৪ মাঙজবগা মান্নে। চহী ২ থীন্থরগনা চহী ৬ মাঙজগদৌরিবনি। অমরোমদনা এন সি টি ঈনা ২০২৯ দগী বি.এদ কোর্স অসি তোক্লবগী ৱাফম মাঙজৌননা থমদুনা লৈরে। ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা মতম চানা থবক পায়খৎহৌদবা হায়বসি লমদমসিগী অচৌবা মাঙজবা অমদি মহৈ-মশিনগী লমদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা লৈবগা পাঙ্খক ওইরগনি।

ওজা ওইরোইদবা কয়ানা ওজাগী শিনফমদা লৈশিন্দুনা মহৈ মশিন তম্বগী কাঙলোন অসিবু দিসফঙ্কসনেল ওইহন্দুনা লৈরি। ওজা ওইনিংবা, ওজা ওইনবগীদমক মখোঙদগী হৌনা অখন্নবা ট্রেন তৌরবা, ওজাগী শিনফমবু ইকায়খুম্ন বশিংনা ওজা ওইরক্লবদি মহৈ-মশিনগী লমদা ফগৎলক্কনি হায়বসি দেসামগী অচেৎপা থাজবনি হায়নসু মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৮।২০১৯ ইং, থাংজ, অয়ুক পুং ৮.১১ ফাওবা থৱানগী ২৪ নি পাল্লি মতুং ২৫ নি পানগনি।

মেষ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি -অচম্বা চাও। শেল অমদি থবক পনগনি অদূনা খাংবা কল্লু অমদি মরুপ মপাংনা নরলদা মীতাগনি। লৈফম নুংঙাইবদি ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : হরাওবা, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাউনা ফংবা লাইবক ফবা নুমিৎনি। অনৌবা থবক্তা খূৎ থাবা মতাং চাবা ওইগনি। নচাক-নরলদি চেকশিন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : হনবা লৈতনা হোৎনবনা মফম অফবা কঞ্জবা ঙমগনি, মীয়ামগা লোয়নবসু ফংবা অমদি নুংঙাইজবা নুমিৎনি। শেলদি চৎফম য়াম্মী-হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : থোইনা শেল-থুমগী লম্‌দা লাইবক ফগনি, চিংনদনা খুৎচাউ থাবা য়াগনি অমদি নঙগী ওইবা মীনা তেংবাঙবীগনি। ঙক য়াম্না হাইগৎলদি নরল মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : থবক পাংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি নশাগী ৱাখল্লোনতনা নীংবা থুংনা থৌ পাংবা য়াগনি। নচা-ননাইগী লম্‌দা পেন্দবা লৈগনি-হন্থবা লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থিজিনবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : পূক্লিং ফাথনা চৎচবা ফৈ নত্রদি নিংঙমদবা অমদি কাইনবগী নুংঙাইতবা লৈগনি। ইথক-ঈরাংদা লৈরদি নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎকনি। তনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - তহাবা য়াদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : শেন্দোং তানবগী লম্‌দা চিংনবা থাদোকউ অমদি হোৎনবা কল্লি মতিক কান্নবা হেনগনি। থবক্তি পাংবা ৱাৎকনি অদুনা মরুপ-মপাং লোয়নবা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা লৈ-অদুনা পাংঙমদবা থবক পাংহৌবা অশিংবা ওইগনি। পোরম য়াৎপা হৈগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : মীচং হেনগৎকনি, খনবা মপা চাগনি অমদি শেল-থুম ফংবা য়াবা নুমিৎনি। মহু চাউবনা ইমুংদা য়েংথিগনি অদুনা শকখঙদবা লোয়নগনু, পংশিন্নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : লম চৎপা কান্নগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি। নাপল তৌগনু অমদি খুৎচাউ থাগনু। পন্দুনা লৈবা থবক অমদি মরুপ কাইনবগী নুংঙাইতবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : ঙাঙবা হৈবা অমদি পোরম য়াৎপা হৈবনা মীংচৎ ফংগনি। হন্থবা লোয়নগনু অমদি মীনা ইনশিনবা লৌগনু। থৌনা লিংজেল ফুদোকপা ইয়া য়াদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : মায় পাক্কনি, লল্লোন ইতিক্তা শোইদনা মায় পাক্কনি অমদি কুইনা তান্নরকপা শেল ফংবা য়াবা লাক্লে। ৱা ঙাঙবদি লুই -য়ারগদি অচুম্বনা মাঙওইননা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাইবা নংবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# কোরৌগী অৱাংবা, ইরোন্নুংদা লুপ্তুনা সমুদ্রগী অরুবা ওন্দুনা খুন্নাই অসিগী মায় ঙাকপনা ঐগী থৌদাংনি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

## লাংপোকলাকপম মেলোদি

সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ ৱিনর



শিরোই লিলিগুম নিংথিজবী শক্তম, মহৌশা লাইরেম্বী ঈমাগী ফজরবা খুদোল জুকো ভেলিগুম নোম-নোম লাওবী শাথেক, মপান নাইদ্রবা শেংলবা, লুরবা ঈশিংতনা থল্লবা লোক্তাক পাৎকী মীনুংশি চেল্লবা ৱাখল্লোনগা ইরোইননা মতারোই তরেৎকী পূক্লিং হুদুনা সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯গী ৱিনর ওইরকখিবী লাংপোকলাকপম মেলোদিগা হুইয়েন লানপাউগা উনজরুবদা মোদেলিংগী লম্‌ অসিদা করম্না চংলকখিবনো অমদি সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯গী ৱিনর ওইরকপগী অৱা-নুংঙাই কয়া অমা পাউদমবিরকখি।

লাংপোকলাকপম মেলোদি এল নন্দো অমদি লাংপোকলাকপম ওংবি শান্তিবালা অনিগী মচা অহুমগী মনুংদা ইতোন তোন্না ফঙজবী মচানুপীনি। মণিপুরগী খোংজোম শঙাইখোংনা মহাক্কী লৈফমনি। স্কুলিংদগী হৌরগা গ্রেজুএসন ফাওবা সিলোংদা লৈদুনা মহৈ-মশীন তল্লকই হৌজিক্লা মণিপুরদা লৈদুনা বি এদ ট্রেনিং তৌরি। অশংবা মচু অমদি শঙ্গোম সনা থোংবনা মেলোদিগী খ্বাইদগী পামজবা মচু অমদি এঞ্জাংনি। ফেসন দিজাইনিং তৌবনা মহাক্কী হোবি অমা ওইবত্তা নত্তনা লম্‌ অসিদা মায়পাকপা মীশক অমসু ওইরি। এ সী জী (মণিপুর কেলেন্দর গর্ল) দা অহানবা ওইনা মোদেলিংগী লম্‌ অসিদা খোঙদারকখি। লম্‌ অসিদা মখা তানা চৎপা পামজরুবনা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা মিস পাইনেপল ক্যুন ২০১৮ দা শরুক য়াদুনা কন্টেষ্ট অদুগী ৱিনর অমদি চহী অসিমক্তা মিস মণিপর শরুক য়াদুনা ফর্ষ্ট প্রিন্সেস তাখি। ওগষ্ট ৯দা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯গী ৱিনরসু ওইরকখি। মহাক্লা হায়, চাউনা মায়পাক্লকপা অসি ঐগী অপোকপা-অপোকপী অমসুং ফেমিলিগী মীওইশিং, থোকচোম করননা দিজাইন তৌবিখিবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপীখিবা লোয়ননা ইয়াম্বা বিদ্যাশ্বর মখোয় পূন্নমক্লা হোৎনবিবদগী মায়পাকপা অসি ঙল্লকখিবনি। লোয়ননা মেদাম কৈশাম কবিতানা মচাদৌনা কন্না শেন্নবিদুনা তাকপী তম্বীবনা কন্টেষ্ট অদুগী ৱিনর ওইরকখি। মহাক্লা তাকপী তম্বিবা অমদি শেন্নবিরমদ্রবদি মায়পাকপা ঙল্লমদবসু য়াই। কঞ্চন, ইবেথোই, সদানন্দা মৈসনাম, রজিভ কুমার নারেংবম অসিনচিংবা কয়া অমনা মতেং পাংবিরকখিবগী মহয়না ঈরমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙমখিবনি হায়নসু মেলোদিনা ফোঙদোরকখি। মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঐগী অপোকপা নন্দোনদি মোদেলিংগী লম্‌ অসিদা চঙবগী মহুত্তা এদ্যুকেসনগী লম্বীদা চৎহনবা পাম্মী। অদুবু ঐগী ঈমানা পাবুংবু কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানবা কন্না ঙাঙনবিদুনা হায়রিবা কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়াবা ফঙজখিবনি হায়বিরকই।

১৭শুবা সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯গী ৱিনর ওইরকপা অসি হায়ফম খঙদনা য়াম্না নুংঙাইবা অমদি ফাওই। মায়পাক্লকপা অসিদা মীয়াম্না হরাউ তরাম্না ওকপীবা অদু উরগা মসিদগী হেনবা কন্টেষ্ট হায়বদু ওই। সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯গী ঐহাক ৱিনর ওইরক্কনি হায়বদি থাজবা লৈখিদে মদুদগী পাড়া কয়া অমসু তম্বা ঙমহৌখি। থবক খুদিংদা কৎথোকপগা লোয়ননা পুকচেল শেংবা য়াম্না মথৌ তাই। য়াওদনা কৈদৌঙৈদসু মায়পাকপা ঙল্লোই হায়বদু য়াম্না অমদি আর্টিষ্টকী ওইবা হীরমদা চঙদুনা ইরমদম মণিপুরগী শৈশকপী পুস্পরানি, শৈশকপা এ জে মৈশনাম, পামজবা আর্টিষ্টনি। মণিপুরদা ওইরিবা মীয়ামগী ঈহৌদা শরুক য়াববুদি ফৈ অদুবু লুপশিলহন্নিংই। মরমদি মহৈ তম্বগী মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা লৌহন্নিংবগী অপাম্বসু লৈ হিষ্ট্রিদা মণিপুরি নুপীনা চিফ মপুগী থৌজালদগী চিফ এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি হান্না ফজনা ফঙদ্রিঙৈ, হিংনবগী লম্বী অসিদা চঙবগী মহুত্তা লাইরিক ফজনা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংগী য়াইফবা খুনাই অমা ২০১৯গী ৱিনর লাংপোকলাকপম মেলোদিনা ফজবা ৱাফম কয়া থম্বিরকখি।




কয়া অমা শরুক য়ানিংবগী ৱাখল পোকই অমদি থৌনা হাপ্পীবা ৱিনর ওইনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনখিদবা নত্তে। অদুবু টোপ টেন ফাওবদি য়ৌবা ঙমগনি হায়বদি থাজবা লৈখি। মায়পাক্কে খল্লগদি মতম মশক খঙনা চৎপা, তৌরিবা হীরম অদুদা অহল-লমনশিংনা হায়বিরম্বা অৱাবা মায়োক্লদনা অমদি হোৎনবা চুম্মী। তুংদা দিজাইনিংগী লম্‌ অসিদা শক্লাইবী মীশক অমা ওইবা করিগুম্বা খরদি তৌগে হায়না খল্লি হায়নসু ফোঙদোরকখি। এক্ট্রেস বালা অমদি এক্টর গোকুলনা মেলোদিগী ফীভমশিং অসিদা পেন্দ্রদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা মদুদা কা হেন্না শরুক য়াদনা মহৈ তম্বদা ওইনা পূক্লিং মতম অমুক হন্না ফঙবা হায়বসি অৱাবা অমনি। এদ্যুকেসন ফজনা ফঙদুনা ঈমা লৈবাক্কী থৌদাং হায়না মেলোদিনা ফোঙদোকপীরকখি। মণিপুরগী মিনিষ্টর ওইখিবা লৈত্রি। করিগুম্বা তাইবঙ মিনিষ্টর ওইবা ফঙলবদি ইহান হানবা থবক ওইনা শেমদোক্লিংই হায়নসু তাকপীরকই। এদ্যুকেসন লৈত্রিঙৈদা য়াম্না নৌনা চেন-চোংদুনা য়ূম পানবগী লম্‌ তমহৌবা অমদি হিংনবগী লম্বী অমা হান্না য়াৎপীরবদি শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট

ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ